# “ইন্দিয়াগী মশক লোৎপা লান-!”



**– এল ইবোমচা –**

তুংগী পোমিৎ উদুনা পোরম য়াৎহৌবা অদুবু অশিংবা কৌই। শিংদবা মীবু অপঙবা কৌই। অপঙবশিংদি অমনা হায়রসু হোয়-হোয়, অমনা ঙাঙলবসু হোয়-হোয় তাবনিনা মীপূম খুদিংমক্না মহাকপু অফবা মীনি হায়না লৌনৈ। অদুগা অশিংবা মীশিংদি হোয়-হোয় হায়দে। মী-মীগী ৱাঙাঙ-শঙাঙ, লমচৎ-শাজৎ, চাকচা-যুথক, তৌথোরকপা থবক-থানা অদু মুন্না য়েংলগা থাজবা থম্মী। তৌবদি অশিংবশিংসি মীনদি কয়া নুংশিদে হায়ববু মশাগী ইমুং-মনুংগী লৈকায়গী অমদি লৈবাক্কী ওইনা শিংথাবা য়ানা কান্নে। তুংগী পোমিৎ উবদুনা পোরম য়াৎপা হৈবনিনা তুংদা অৱা-মৈশা লাংদে। অদুগা অপঙবশিংদি হিংবা হৌনৈ হায়দুনা পংচা-চা, পংথক-থক, লৈবনিনা তুংদা অৱা-মৈশা কয়ামুক মায়োক্লে। কনাগুম্বনা অপঙবা মীদা মপুক ফবা মীনি হায়রিবদু অশেংবদি হরাওনবা থাগৎশিন্নবনি। থাগৎলগা তিকি পীজবনি। মৈতৈ ৱাহৈ- মী অপঙবা লাল্লোয়নৈ, উ অকংবা শীং ওইনৈ হায়নরিবা অসি অপঙবা মীদা পাউরৌ-পাউতাক ওইনা হায়নবা ৱাহৈনি।

মী অপঙবা লাল্লোয়নৈ, উ অকংবা শীং ওইনৈ হায়রিবা পাউরৌ-পাউতাক অসি লৈনা লৈনা করিদগীনো খঙহৌদনা ঙসিদি মৈতৈশিং অসি পঙবদগী লান নংলে। মীনুংশিনা মাঙ থারগা নীংথিনা থিগত্তনা শৈদাংদুনা লৈহল্লুবা কুকিশিংনা থাকপা হাইগৎ লাংদা মৈতৈশিং থুরে। মসিগুম্বা অৱাবা তারবা খুদোংথীবা মায়োক্লরবা মতম অসিদা মৈতৈশিংবু লাংদগী নাম্থোকহন্নবা কনা অমত্তনা মতেং পাংবীরদ্রে। তস! কমদৌই, মতেং পাংখোদনা মিনুংশি চাউখোদনা হায়না মরুপ-মপাং, য়ূম্লোন কৈরোন্নবশিংনা করেম কথাইনবা মওংদা চেপথ-চেপথা য়েংলগা ফাক-ফাক নোক্লি। মরু ওইনা মিজোরাম লৈঙাক্না কন্না কন্না নোক্লি। হৌজিক চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা লালদুহোমাগী মতম অসিদদি খরবু ফৈ। হান্নগী চীফ মিনিষ্টর জোরামথাঙ্গাগী মতমদদি য়াম্না হৌনা হৌনা করেম-কথাইনা নোক্লম্বনি।

য়েংবদা ইতপ-তপ্পা, ইচম-চম্বা, ইপঙ-পঙবা মানবা মতৌদা য়াম্না থাজনা শৈদাংদুনা লৈহল্লুবা কুকিশিংগী মীওৎ-মীনৈ কয়ানা মৈতৈশিং ৱাবনা খম থেংলে। অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মরক্তা অরুনাচল প্রদেশ খক নত্তনা অতৈ লেমহৌরিবা ষ্টেটশিংদা ম্যান্মারদগী শৈদাংফম লৌদুনা লৈশিল্লবসু মণিপুরদা খাবৈ খারা শারিবা অসিগুম্নদি তৌদে। অতৈ ষ্টেটশিংদদি মঙক ফাওবা চুম্না হাইগৎলগা চৎপা ঙমজদে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি অতৈ ষ্টেটশিংদদি মখোয়না শৈদাংদুনা লৈবগী অকক্লবা বাউন্দরি অমা থম্বনা ওইরম্বা য়াই। হায়বদি অতৈ ষ্টেট লৈঙাকশিংদদি কুকি ফূরুপ্তা ইন্দিজিনস ষ্টেটস পীদে। শম্না হায়রবদা ভারা (রেন্ট) দা লৈবগুম লৈহল্লি অমদি অৱাং নোংপোক লমদমগী ষ্টেটশিংদা হান্ননা চীফটেন্সিপ রাইটস চৎনরম্লবসু হৌজিক্তি চৎনখিদ্রে, লোইনা মুখৎনখ্রে। অদুগা মণিপুরদদি চীফটেন্সিপ রাইট চৎনদুনা লৈবনা কুকিশিং মঙক হাইগৎলিবনি।

মসি পূম্নমক অসি মৈতৈশিংনা মখোয়বু কা হেন্না মীনুংশি চাউবা উৎতুনা থাজনা লুনা চান্না তৌরুবগী মহয়দুনা মীতৈশিং নখোয় খুদিং নশা-নশাগী য়ূম ইঙ্খোল থাদোক্তুনা চৎখ্রো মখোয়না মহুৎ শিল্লগা লৈহৌরগে হায়দুনা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্তকী মোরে টাউনদা লৈবা মৈতৈগী য়ূমশিং মৈ থাদোক্লবা তুংদা চৈতুপ-উতুপ পায়দুনা মৈতৈ নখোয় অমুক হন্না হল্লক্লগনু বাই-বাই হায়না তাল্লকখিবনি। মৈতৈ মীনুংশি চাউবা পুকফবশা হায়দুনা থাগৎ-থাগৎলগা মৈতৈশিং তুম্না হাৎনবা মনুংদা শরৌ শিন্দুনা লৈরম্বনি।

অশেংবসু কুকিশিংসি ইন্দোনেসিয়া রোমদগী লাক্লগা চাইনাদা লৈরম্বগী ৱারীসু লৈ। মদুগী মথংদনা অৱাং নোংপোক্তা অমদি বাংলাদেশ লৈবাক্তা শন্দোরকখিবনি হায়নৈ। অদুগা অমনা ইজরেলদগী মাঙখ্রবা ত্রাইব অমনি হায়নসু লৈ। মখোয়গী অশেংবা মরৈবাক লৈতে। মখোয়সি অমেরিকান বেপটিষ্ট মিশননা ১৯শুবা চহীচা লোইরমদাইদা খৃষ্টিয়ানিটিদা পুশিনবীরম্বনি। মসিগী মমাঙদা মখোয়গী ওইবা লাইনীং লাইশোন অমদি ময়েক লৈজদে। হৌরকফম লৈতবা ময়ূম হোং-হোংদুনা খুন্দাবা ফূরুপনি। তৌববুদি কুকি ফূরুপ অসি অপীক-অপীকপা কাঙলূপশিংনা পুনশিল্লগা শেম্বনি। কাঙলূপ ময়াম্না শেম্বা ফূরুপ ওইবনা করি-করিগুম্বদা মখোয়গী ত্রাইবশিংগী মরক্তা হেক-হেক খৎন-চৈনবসু থোকই।

মণিপুরদা মীশিং খংহেন হেনগৎপগী চাং ৱাংখৎলক্লিবসি কুকি ফূরুপ্তুনি। হায়বদি কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইরদুনা পাঙথোক্তনা লৈরিবা কুমজা ২০২১ সেন্সস অসি পাঙথোক্লম্বা তারবদি য়েলহৌমী ওইবা মৈতৈ অমদি নাগাগী মীশিং হেনগৎপগী চাং খংহন-হন্থরগা কুকি ফূরুপনা শাথীনা হেনগৎলম্বা য়ারি। মরমদি হান্না কুকি-জোগী এম এল এ মঙাখক্তমক কারম্বদগী হৌজিক এম এল এ ১০দা খংহেন হেনগৎলক্লিবসি কুপ্পা থিজিল্লবদি করম্বা চহীদা কুকিশিংসি ম্যান্মারদগী মণিপুরদা চঙলকখিবগে হায়বা চপ চানা খঙগনি। অমরোমদা মীশিং হেনগৎলকপা হায়বসি মণিপুরগুম্বা মীশিং য়ামজদবা অপীকপা ষ্টেট অসিদদি য়াম্না খুদোং থীনীংঙাইনি। আ লাই হাক্তক্তগী কুকিশিংনা মীশিং য়ামদুনা অদুম লাক্লম্লবদি মদুনা তোঙানবা ৱাফম্নি। মদু নত্তবদা হুরান লোন্নাদা চঙলক্লগা হান্না লৈরম্বা মীশিংদগী খংহেন হেনগৎপা হায়বসিদি য়াম্না চেকশিন্নীংঙাইনি, মনুংদা অরোনবা থৌরাং অমা লৈরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মরম অসিনা য়েলহৌমীনা মীশিং হন্থবদা তোংজ গদবা হীরম অমত্তা লৈতে। পূম্নমক অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ফেমিলি প্লান্নিংনা মরু ওইনা মৈতৈশিংদা চাউনা চৈথেং ফংখিবসি থম্মোয় য়াম্না শোক্লিংঙাইনি। অনী নৎত্রগা অহুম্না ওক্লসি হায়বা ইন্দিয়াগী প্রোগ্রামদা থৱায় য়াওরুবসি অপঙবা তারে। মৈতৈ মূখৎনবা খোঙ থাংজিল্লে হায়বসি হন্দক্কী কুকি লান অসিদগী ৱাখল খংতা তানরক্লে।

তৌবগীদি কুকিশিংনা মণিপুর থুগায়রগা মনীং তম্বা লৈবাক অমা শেম্নবা প্লান তৌরকপসি ঙসি-ঙরাংগী ৱাফমদি নত্তবজাৎনি। খৃষ্টিয়ান ধর্ম্মগী কার্দ পায়রগা অমেরিকান বেপটিষ্ট মিশনদা কুকিলেন্দ শেম্বদা মতেং পাংবীনবা তক্লদুনা লাকপা কুইরবজাৎনি অমদি ধর্ম্মগী মিংদা শেল থুমগী ফীভমদা শাথীনা শোখনা লৈরবা ম্যান্মারগী মীওই কয়া চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী অমদি মোরেদা কৌশিল্লগা অমেরিকান মিসন্নরিশিংনা ভোকেশনল ত্রেনিং পীরিবনি, লাইরিক লাইশু তাকপী তম্বীরিবনি হায়দুনা লৈহল্লকপসি মতম কুইরবা জাৎনি। ৱাদদি ভোকেস্নল ত্রেনিং পীরিবনি, লাইরিক লাইশু তম্বী-তাকপীরিবনি হায়বা অদুগা মনুংদা মখোয়গী মীশিং খংহেন হেনগৎহন্নবা হোৎনবা খুজিল থৌরাংনি।

অসিগুম্বা মপান্দদি ফজবা শক্তম মানবা, মনুংদনা অরোনবা থবক তৌরিবা অসি মৈতৈশিংনসু অমদি মণিপুর লৈঙাক্লসু নোংমতসু থিজিল্লুদে। মখোয় মখোয়গী শেল-থুমগী একাউন্টদু ওদিট তৌরুবসু লৈতে, তৌগে হায়নসু খন্নরুবা লৈতে। ইকোম কোম্না, ইপঙ পঙনা, ইচম চম্না লৈরুবনা ঙসিদি করি থোক্লে মৈতৈ অপঙ তারে। মী অপঙবা লাল্লোয়নৈ, উ অকংবা শীং ওইনৈ হায়বদু মৈতৈশিংদা চপ চানা থোক্লে।

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা নম্ফু-হাফুদা তিনবা অদুদা ইনখিবা এগ্রীমেন্ট অদুনা মরম ওইরগা করিগুম্বা শক্তি অমত্তনা মণিপুরবু থুগায়বগী মতিক নত্তে। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা হায়জ-নোঞ্জ তৌরগা তিনখিবা নত্তে, গন পোইন্টতা ইনিংথৌগী খূৎয়েক লৌরগা তিনখিবনি, মর্জর এগ্রীমেন্টদা খূৎয়েক পীখিবনি। মরম অসিনা থোক্লিবা ঈরাং অসিদা ইন্দিয়ানা য়েংলিবা মীৎয়েং অসিদি মণিপুরগী মৈতৈশিংনা পেন্নীংঙাই ওইদে, খম থেংনা নুংঙাইতবসু ফাওই। মরমদি কুকিশিংনা মৈতৈশিংদা লান্দারক্লিবা অসি মনীং-মখা তম্বা কুকি হোমলেন্দ ‘কুকিলেন্দ’ কন্ত্রি শেম্নবনি হায়বসি ঐখোয়গী শ্বাইদা অসুম হায়নবদগী হেন্দোক্তুনা ফম তাখ্রবা হান্নগী বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর সৈখ হসিনানা হান্ননা হায়রকখিবা লৈখ্রে। অদুনদি লানসি মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগসু মরী লৈনদে, মৈতৈনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবস দিমান্দ তানবগসু মরী লৈনদে তাকপনি। পূম্নমক অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না খঙনা খঙনা খঙশিন্নদা লৈরি। লোয়ননা কুকিশিংনা মৈতৈগী কাঙ্খ্দা লিন চঙবা অমদি খুজিন্দা তুম য়ুরগা লৈরিবা অসি উশিন্নদ্রি। অদুনদি মণিপুর থুগায়নবা হোৎনরিবা অসিদা কুকি খক্তা নত্তে “ইন্দিয়াগী মশক লোৎপা লান-!” য়াওরি হায়না মীয়াম্না হায়নরিবসি চুমগনি। ●

# পাপ য়েন্নসি! ওইথোক্কদ্রা?

**– এল বীমোলচান্দ –**

কুকিশিংসি তশেংনা মী চারমগদ্রা? চারমগনি নৎত্রগা চারম্মোই হায়বগী পাউখুম পাম্বগী নত্তে হংলিবসি! লৈঙাক্না খঙল’সু নৎত্রগা খঙদ্রসু অদুম চনৈনবা ৱাহং অমদি ওইরগনি। থাজবগী চাং য়াম্না ৱাংলবা ৱাহংসিগী লংলা-লংজিন থিগৎকদবদু লৈঙাক্কী মশিল ওইগনি। অঙকপনি, মীয়াম্না মীয়াম্বু ঙাকপী-শেনবীনবা ভোট থাদদুনা থাগৎখিবা লো-মেক্করশিংনা শেম্বা লৈঙাক্না মীয়াম্বু থরক হুনগৎনা থল্লিবসি মীনসু, লাইনসু য়াগদবা নত্তে। তূমিন্না লৈশিনবনা অশিংবা শাবা য়ারোই। মী চাবা হিংচাবা মণিপুরদা তশেংনা লৈরবরা? লৈরবদি লৈঙাক্না করি থৌরাং লৌখৎকদৌরি খঙনীংবনা লাংতক্লরকই। মফম খঙদনা--। লংলা-লংজিন খঙখিদ্রবা কুকিশিংগী মখূত্তবুদি তাখ্রে খঙলবা থৱায় নহা কয়াদুগী মরাইবক করি ওইরমগনি। চনৈনরিবসি কুকিশিংগী শারমচৎ নোংম-নোংমগী শাথীবগী চাং হেনগৎলকপনা মওল-মওল খন্নরক্লিবনি। লানগী লীচৎসু খঙদবা কুকিশিংনা লান্দারকই হায়বসু য়ানীংলক্ত্রে। হেন্না তমথীবা লাল্লোং শীনবা হৈবা শকউত্তবা অরোনবা ফোর্স অমগী মথি ফোংলকপগুম্মী। ওহ! মণিপুর অদুঙৈগী মণিপুর নৎখিদ্রে। মণিপুরগী লৈঙাকপশিং করি খন্না তূম্বা থেম্নরমগনি অমুকসু ৱাবীরুই। দোলাই তোংবীগীদমক ৱাইকুপ পুবীনা ৱাবী হায়বদুমক্লা? খঙদ্রে, মকুসু খোংদে, ক্বাকসু লাক্লা-লাক্লা খোংদে-শিবদি ঙসি হয়েং কাংদে। অশিবা লৌখৎপা লাকপা লাই মা ফাওবা ইকায়-নুংশি য়ান্নরমদৌবা মাল্লকই।

লমদমসে নোং তারক্লবা, হায়লেন্দনা চীং নিঙখায়নি, লো লেন্দনা ঈশিং চাউগনি। শুপ্ন গী চেঙ খক্তদা দিপেন্দ তৌরিবা চাক ওইননবা ফৌ থাবদা চঙবা তঙাইফদবা ঈথৈ-লৌখোং করম্বা লাইনা ফৌওইবীদা করি শাপ তৌরম্বনো চহী খুদিংগী ঈশিং কংই নৎত্রগা ঈচাওনা থুক্ষৎখ্রে হায়হন্নবগীদমক শুকশেম শেম্বীরমদে, শেমদ্রি, শেমখিরোইদৌরি। লাল্লক্তবু করি চাওখৎ-থৌরাং তৌনি হায়বগে! থায়নগী মৈতৈ ইপা-ইপুদি মমিৎ য়াম্না শিংই, মথৌনা লৈ, হৌজিক্কী মৈতৈশিংদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অখাবা মীৎয়েংনা হৈবোং মনুংগী তুম্মিৎ ওইখ্রে। তুম্মিৎনবু করি ৱাখল খন্নি হায়বগে। কুকিসুনি, তাৎ হৈবদা খরমীগুম্বনি, মৈতৈ থেংনদনবা লোৎপদতা উমংগী পূন্সিদা মপূন্সি কেমখ্রগদবনি। তৌরুবা তেকচাক্কী মহয় ফংদুনা ইন্দিয়ানা কাওথোরকপা মীকুপ ঙাইনা-ঙাইনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনগী মঙ মঙনা-মঙনা মঙলাক্লখ্রনি। ঙসি থম্মোয় খুতুম শুনা, খা চিক্লা অৱা-হুইজোং লাংলিবা মৈতৈগী অফবা নুমিৎ লাক্লগনি। তৌবতদি মৈতৈশিং তঙাইমক ফদনা পূন্সি মরেল হোংবা তাই। অপূনবগী শক্তম শাগৎকদবনি। পোলিটিক্সপু লল্লোনপোৎ ওন্থোকপা তোকসি। নীংতম্বা থিবদা শেলতবু মীকাবা মানবা থৌওং উৎপা তোকসি। লমদমসি দেমোক্রেসিগী লমদমনি। লোগী মসা-মরেং য়াম্বনি। লো লৈতে খনফদে, হুরানবগী তরানি ওইরসু, মপুগী নোংমদা পূন্সি ঈচেল থৈহনগুমসি। হিংননবা পোল্লকপা মীওইবনি। শিবা হায়বদুনা মপু মানা নোংদমখ্রবনি। অপঙবা মীওইবনা শিবা অদুক কাউথোক্লরিবসে পূন্সিগী মথেলনি হায়সিরা?

খঙজিন উশিন্নদ্রিবা নেশনল হায়ৱেশিংগী প্রোব্লেম, কুকি লাননা ৱাখৈনখ্রবরা? নুঙাইজরমগনি হায়লেন্দর খূৎলায় পায়বশিং। লৌনীং-লৌনীংবা শেল কয়া ত্রকতগী, বসতগী, প্রাইভেট গাড়ীশিংদগী লৌবা। পীয়ু য়াদবনা লোকখাদা ইন্থখিবা। দ্রাইভর ফূবা, হাৎপা। পৃথিবীগী মফম অমত্তদা মসিগী খূৎনুঙাইসি ফংলোই। অঙকপনি ইন্দিয়াগী লৈঙাকপশিং, তুক্কৎচৈ ষ্টেটসিগী লৈঙাকপশিং। লো খঙবশিংনা লোগী মায়োক্তা লৈবা অখন্নবা হায়লেন্দর ফূরুপ অমদা সরেন্দর তৌখিবসি ওন্থোক্লা ইকায়নিঙাইনি। করিবু কান্নবা ফংগদগে। মৈতৈনা নেশনল হায়ৱেশিং ফাওদুনা চৎপা ঙম্বা/ঙমদবগী ৱাফম তোকখ্রো, লৈঙাক্কী মপী-মপা ওইবশিংনা হৌজিক হৌজিক ঙাক্লিবা লৈঙাক্লোনসিবু করিনো? দেমোক্রেটিক কন্ত্রিনি হায়নসু পঙলাংদা লাঙই। কদায়নো দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক। মপান ফরি মতাগুম কন্সটিট্যুশন ফাওবা শেমদোক শাদোকপদা ইকায়নদ্রে। জাতিগী মপা মিঙ্গৈনখ্রবা মহাত্মা গান্ধী ফাওবা মীরাইবা ঙল্লক্লে।

অপেনবা নৎত্রগা পেন্দবা, ৱাহায় অনীসিগী মরক্তা অমদি লমদমসিদগী লৈঙাকপশিংনা মাঙহনখ্রে। মমল য়ামখ্রবা মাঙখ্রিবা ৱাহায় অমসি লৈঙাকপশিংনা থিবা ঙম্বগী ৱাংমদসু লৈখ্রে। মনানা হৈমাং শারিবা ঙসিগী লো মেক্করশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন ষ্টেটসিবু য়োল্লকপদা মতু-মচা, শাগৈ-নাতৈ ফাওবা য়োল্লক্কদৌরি। শেমদোক শাদোক্লগা ৱারী অমা তমজগে, অদু-অদা তুকা থিবীনু। অসুকপা জঙ্গল অমদা পাপ তৌবদা হালেংদ্রবা ডাকু অমনা জঙ্গলদু ফাওনা লাকপা মী মখৈ হাৎলগা য়াওরকপা সনা-লুপা, মমল য়াম্বা মনি-মুক্তাশিং খোমদুনা পুরগা মতু-মচা, ইমুং-মনুং নুঙাইহন্নবা হোৎনজৈ। কদায়দগী পুরকপা সনা-লুপানো কনানসু হংদে, মানসু নোংমতা হায়দে। নোংমদি মঙাল নাইরবা লাই অমনা জঙ্গলদু ফাওদুনা লাকপদা ডাকু অদুনা লাইদু হাৎকে তেমশিংনখি। অকিবা থাদোকখ্রবা লাইদুনা মোমোন নোক্লগা হায়খি “নঙনা পাপকী থবক ঙাক্তা তৌরগা ইমুং-মনুং, নুপী অঙাং পেলহল্লিবদু ঐনা নঙবু থাগৎলি। অদুবু অমুক্তদি নঙগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা হংলুচো “নখোয় ময়াম নুঙাইহন্নবা হোৎনবদা ঐ পাপ মশীং খঙদনা লঙশিনখ্রে। পাপ ময়ামসে ইপাসু, ইমাসু, নুপীসু, অঙাংসু খরা খরা পুমিন্নসি হায়রুচো। করিগুম্বা মখোয়না হোয় হায়রক্লবা ঐনা নঙোন্দা মপান নাইদ্রবা লন-থুম পীগনি। করিগুম্বা মখোয়না পাপ লৌ য়াদ্রবা নহাক ঙসিদগী হিংসাগী লম্বী থাদোক্কদবনি।” ঙকপনা খম থেংলবা ডাকুদু থুনা য়াঙনা ময়ূমদা চৎখ্রে। তন্না অমুক হল্লক্লগা লাইদুগী মখোঙ কোন্দুনা ও খোংনা কপ্পরে। অঙকপা নৎত্রা? পাপ কিখ্রবা মপা, মমা, নুপী-অঙাংশিংদু হিংচা-য়াইতম্বা মানা মবুক থাকপীরবসু - পাপ য়েন্নসি হায়বদা য়ারকখিদে। ঙসিগী মরেক-মহাও থোক্লা পাপকী কোমদা পুখদুনা নুঙাইবা শীংদা চল্লবনি খঞ্জরিবা ফম্নাইবশিংনা অমুক্তা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা হংদুনা য়েংবীয়ু, করি পাউখুম পীরক্কনি খল্লি। শাস্ত্রনা তাক্লি, “ঐনা ঐনা তৌখিবা কর্ম্মগী ফল ঐ ঐনা ফংজগদবনি। পাপকী ৱাখল থাদোকউ।”

মালেমদা অঙকপা তরেৎকী মনুং চনখিবা ‘টাজমহল’ শারম্বা নিংথৌরেল সাহ জহাননা টাজমহল শাখিবা খূৎহৈবশিং ঙম্না মখূৎ-মখোঙ কক্তুনা হাৎখিবগী পাপনা শিরমদাই মীকুপ ফাওবা কৈশুমশঙদা পুন্সি লেনখি। মদু পূম্নমক পাপকী মহয়নি শোন্নরি। পাপকী থবক্লা পাপকী মহয় ফংগনি, অচুম্বতা পাম্বশিংনা পোলোইদা নুঙাইবা পূন্সি ফংগনি। লাইগী নোংদমখোলনি।

কুকি ঙসিদি ফত্তবদা খম থেংলে। ইন্দিয়া লৈঙাকসু কুকি শাওদনবা হোৎনবদা অচুম্বা নাথৈরক্লে। অঙকপা ময়াই কাবা চীঞ্জাক অনীগী রিএক্সননি মৈতৈনা থরক হুল্লিবসি। ইন্দিয়ান ফোর্সনা তুংদা লেপ্লি নাপন্নদুনা মী হাৎপদা হালেংদ্রে। মী ফাওবা মকক মকক কক্লগা থোংদুনা চাই হায়বগী তোকঙানা ৱাই চাইরে। ইন্দিয়া লৈঙাক্না ককশাবী শাবদা লাইচুখিদুনা মতু-মচা ফাওবা অমত্তা তিন্নহন্দ্রে। ফূরুপ অমগা ফূরুপ অমগা হাৎনহল্লিবসি য়েন কাওনবা নত্তে। মহা হিংচা-য়াইতম্বনি, মহয়দু নুপী, নচা-নশুদা খরা য়েন্নসি হংউ-য়ারক্কদ্রা? ●

# মোদিগী ললোন-ইতিক্কী ভিজননা ভারত্তা অহোংবা পুরক্লবা মালেমগী থোঙশিং হাংদোক্লি

**– শ্রী পিয়ুস গোয়ল –**



জুলাই ১৫ দা চৎনবা হৌগদবা য়ু কেগা লোয়ননা য়ানখিবা য়াম্না মরুওইরবা ললোন-ইতিক্কী য়ানচে অসিনা মালেমগী ওইবা খূদোংচাদবশিং লৈহনগনি অমসুং ভারতকী লৌমীশিং, এম এস এম ঈ শিং, ঙামীশিং, ষ্টার্ট-অপশিং অমসুং আর্টিসানশিংগীদমক চাউখৎপা পুরক্লগনি। প্রধান মন্ত্রি, শ্রী নরেন্দ্র মোদিগী ‘বিক্সিট ভারত ২০৪৭’ মিসন অসিবু মাঙলোমদা চঙশিন্নবা ভারতকী নাগরিকশিংগীদমক মসিনা থবক কয়া অমা ফংহল্লগনি অমসুং অৱাংবা থাক্কী পোৎলমশিং মমল হোংনা ফংহল্লগনি।

ভারত অমসুং য়ু কেগী মরক্তা ট্রান্সফোর্মেশনেল কম্প্রিহেন্সিব ইকোনোমিক এন্দ ট্রেদ এগ্রীমেন্ট (সী ঈ টি এ)না য়ু কেদা লৈরিবা সেক্টরশিংদা, মরুওইনা লেবর-ইন্টেন্সিব ওইরিবা সেক্টরশিংদা ভারতকী পোৎলমশিংগীদমক পাক শন্না কৈথেলদা ফংবা ঙমহনগনি। নাকল অনীমক্কী খূদোংচাবা পীরিবা এগ্রীমেন্ট অসিনা তঙাইফদনা ট্রেদ ভেল্যুগী ১০০% গী চাংদা কোনশিন্দুনা ভারতকী এক্সপোর্টকী অচৌবা খূদোংচাবশিং শেমদুনা টারিফ লাইনশিংগী ৯৯% গী চাংদা টারিফশিং লৌথোক্লগনি।

সী ঈ টি এ অসি মমাঙ চহীদা প্রধান মন্ত্রি মোদি অমসুং বৃটিশ প্রধান মন্ত্রি, সর কের ষ্টারমরনা শরুক য়াদুনা খূৎয়েক পীনখিবা মীয়ামগী ওইবা য়ান-ৱারোল অমনি। মসিনা খুন্নাই পূম্বদা কান্নবা পীরি। লৌমীশিংনা মখোয়গী দোমেষ্টিক ইন্টরেষ্টশিং শোকহন্দনা প্রিমিয়ম এক্সপোর্ট মার্কেটশিংদা এক্সেস ফংলি। ঙা ফাবা মীওইশিংনা অচৌবা য়ু কেগী কৈথেলদা সমুদ্রগী পোৎলমশিং থাদোকপগী চাং হেনগৎলকপদগী কান্নবা ফংগনি। শিন্নীশিংনা লেবর-ইন্টেন্সিব ওইবা সেক্টরশিংদা অনৌবা থবক ফংবগী খূদোংচাবা ফংলি। নুপী ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিং, নহাশিং, ষ্টার্ট-অপশিং অমসুং এম এস এম ঈ শিংনা গ্লোবেল ভেল্যু চেনশিংদা হেন্না ফবা এক্সেস ফংলি। প্রোফেশনেলশিংনা হেন্না ফবা মোবিলিটি অমসুং শকখঙবগী খূদোংচাবশিংদগী কান্নবা ফংগনি।

**লৌমীশিংনা চাওখৎলকপা :** সী ঈ টি এনা ভারতকী লৌমীশিংগীদমক প্রিমিয়ম য়ু কেগী মার্কেট অসি হাংদোক্লি, মসিনা অতোপ্পা য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংনা ফংলিবা কান্নবশিংগা মান্ননা নত্রগা মদুদগী হেন্না ফংহল্লি। টর্মরিক, পেপর, কার্দমোম অমসুং প্রোসেস তৌরবা পোৎলমশিং হায়বদি মেঙ্গো পলপ, পিক্কল অমসুং পলসশিং অসি দ্যুটিফ্রী ওইনা ফংহল্লি। লৌউ-শিংউগী পোৎ পুথোক-পুশিন হেনগৎপনা ফামগী শেন্দোং হেনগৎহল্লগনি অমসুং মগুণ, পেকেজিং অমসুং সর্টিফিকেশনগীদমক্তা হেন্না চাউবা ইন্সেন্টিবশিং লৈহনগনি। মসিনা লৌউ-শিংউগী ভেল্যু চেন পূম্নমক্তা থবক কয়া অমসু লৈহল্লগনি।

অমরোমদা, সী ঈ টি এনা ভারতকী খ্বাইদগী সেন্সিটিব ওইবা লৌউ-শিংউগী সেক্টরশিং মরুওইনা দেইরি প্রদক্টশিং, সিরিলশিং, মিলেটশিং, এপলশিং, ওটশিং অমসুং অচাথাউশিংগী লম্দা থবক তৌরিবা লৈবাক অসিগী লৌমীশিংবু ঙাক-শেন্নবগীদমক্তা হায়রিবা সেক্টরশিং অসি য়াওহন্দে। হায়রিবা এক্সক্লুজনশিং অসিনা ফূদ সিক্যুরিটি, দোমেষ্টিক প্রাইস ষ্টেবিলিটি অমসুং লায়রবা লৌউ-শিংউ তৌরিবা কাঙলূপশিংদা মরুওইনা থল্লিবা মোদি লৈঙাক্কী ষ্ট্রেটেজি অদুবু ময়েক শেংনা উৎলি।

**ইন্দষ্ট্রিদা ঈনোৎ হাপ্পা :** অচৌবা য়ু কেগী কৈথেলদা দ্যুটি-ফ্রী এক্সেস ফংহনবনা ভারতকী মেন্যুফেক্চরিংবু হেনগৎহল্লগনি। মসিনা ট্রেদিশনেল আর্টিসানশিং, অচৌবা ফেক্টরিশিং অমসুং রিজনেল ইন্দষ্ট্রিয়েল হবশিংবু ইফেক্টিব ওইবা মওংদা চাংদম্নবা ঙমহল্লগনি। ভারতকী পোখোকশিংনা মখোয়গী রাইভলশিংগী মথক্তা ময়েক শেংনা কম্পিটিটিব এদ্জ ফংলকপগা লোয়ননা অপীকপা বিজিনেসশিং চাওখৎলগনি। অতোপ্পা পোখোকশিংগী মরক্তা, সোকর বোলশিং, ক্রিকেৎ গীয়র, রগবি বোলশিং অমসুং শান্নপোৎশিং পুথোক্লিবা কম্পেনিশিংনা য়ু কেদা মখোয়গী ললোন-ইতিক চাউনা পাকথোক-চাউথোকহন্নবা শেম-শারি।

দ্যুটিশিং লৌথোক্তুনা মতম শাংনদগী লৈরক্লবা, মরু ওইনা লেবর-ইন্টেন্সিব ওইবা সেক্টরশিংদা লৈবা, টারিফকী বেরিয়রশিং অদুবু কোকহল্লি অমসুং এক্সপোর্ট কম্পিটিটিব ওইবগী চাং অমসুং স্কেলদা অথুবা মতমদা কান্নবা ফংলগনি হায়না পানরি। টিরুপপুরগী লুমশিংদগী বেঙ্গলুরুগী লেবশিং ফাওবা, সুরতকী দাইমন্দ আর্টিসানশিংদগী হায়দরবাদকী কাদরশিং ফাওবা, মসিগী এগ্রিমেন্ট অসিনা রিয়ল ইকোনোমিদা ইথিল পীরি।

**সর্ভিসশিং অমসুং প্রোফেস্নেলশিং**- য়ু কেনা ভারতকী মকোকথোংবা সর্ভিস সেক্টরশিং অমসুং এক্সপোর্টকী ইন্টরেষ্টকী সব-সেক্টর ১৩৭ কোনশিন্দুনা হৌজিক ফাওবদা মখোয়গী খ্বাইদগী পাক-চাউরবা সর্ভিসকী কমিটমেন্টকী মনুংদা অমা ওইরিবা কমিটমেন্ট অমা পীখ্রে। মার্কেট এক্সেস হেনগৎহনবা অমসুং রেগ্যুলেটরি সর্টেন্টিনা আই টি অমসুং আই টি গা মরী লৈনবা সর্ভিসশিং ফাইনান্সিয়েল সর্ভিসশিং, প্রোফেস্নেল সর্ভিসশিং, হেল্থক্যের, এদ্যুকেশন, ইঞ্জিনিয়রিং, টেলিকম্যুনিকেশন অমসুং কন্সল্টেন্সি সর্ভিসশিংদা লৈরিবা ভারতকী সর্ভিস প্রোভাইদরশিংদা মতেং পাংগনি।

ভারতনা কন্ত্রেক্ট সর্ভিস প্রোভাইদরশিং, বিজিনেস ত্রাভেলরশিং, ইনভেষ্টরশিং, যোগগী ইন্সত্রক্টরশিং, ম্যুজিসিয়ানশিং অমসুং শেফশিং য়াওনা হৈ-শিংলবা প্রোফেস্নেলশিংগীদমক খূদোংচাবা মোবিলিটি প্রোভিজনশিং ফংহল্লে। এগ্রিমেন্ট অসিনা বিজিনেস ভিজিটরশিং, ইন্ত্রাকোর্পোরেট ত্রান্সফর তৌরবা মীওইশিং, কন্ট্রেক্টিব সর্ভিস প্রোভাইদরশিং, ইন্দিপেন্দেন্ট প্রোফেস্নেলশিং অমসুং ইনভেষ্টরশিংগীদমক পরেদিক্টেবল মোবিলিটিগী পাথৱেশিংসু পীরি।

মসিগী মথক্তা, ভারতকী শেফ, যোগ ইন্সত্রক্টর অমসুং ক্লাসিকেল ম্যুজিসিয়ান ১৮০০ না চহী খুদিংগী এগ্রিমেন্ট অসিগী মখাদা দেদিকেটেদ মোবিলিটিগী খূদোংচাবা ফংগনি।

**ইন্নোবেটিভ ওইবা এফ টি এ শিং**-পি এম মোদিগী লুচিং মখাদা, ই টি এ শিং অসি পোৎলমশিং অমসুং সর্ভিসশিংগী ৱাংমদা চৎলি অমসুং অনৌবা বেঞ্চমার্কশিং শেমগৎলি। ই এফ টি এ লৈবাকশিং - স্বিৎজরলেন্দ, নোর্ৱে, আইসলেন্দ অমসুং লিচটেনষ্টাইনগা লোয়ননা ভারতনা ইনভেষ্টমেন্টকী ওইনা বিল্লিয়ন দোল্লর ১০০ গী কমিটমেন্ট ফংখি, মসিনা দাইরেক্ট ওইবা থবক মিলিয়ন অমা শেমগৎলগনি হায়না পানরি। ন্যু জিলেন্দগা লোয়ননা এফ টি এ দা লৈবাক অসিনা চহী ১৫ গী মনুংদা বিল্লিয়ন ২০ গী ইনভেষ্টমেন্টকী অচেৎপা ৱাফম থমখি, অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী এফ টি এ না ভারতকী আই টি কম্পেনিশিংদা অৱাবা পীরিবা দবল টেক্সেসনগী ৱাফম অসি কোকহনখি।

য়ু কে গা লোয়ননা তৌখিবা য়ানা-ৱারোলগী মরুওইবা শরুক অমা হায়রগদি দবল কন্ত্রিব্যুশন কনভেন্সননি। সী ই টি এ গা লোয়ননা চৎনবা হৌগদবা মসিগী মরুওইবা থৌরাং অসিনা মতম খরগী ওইনা য়ু কে দা থবক তৌরিঙৈদা ভারতকী শিন্নীশিং অমসুং থবক পীরিবা মীওইশিংবু সোসিয়েল সিক্যুরিটিগী কন্ত্রিব্যুশন অনি থোকপগী মথৌ তাবা অদুদগী লৌথোক্লে।

ভারতকী প্রোফেস্নেল ৭৫,০০০ হেনবা অমসুং কম্পেনি ৯০০ হেনবনা মতম খরগী ওইনা মপাল লমদা থবক তৌরিবা এমপ্লোয়ীশিংগী সোসিয়েল সেক্যুরিটি কভরেজ মখা তানা ফংলগনি হায়না পানরি।

**সরকারগী ষ্ট্রেটেজি**- ২০১৪ দা, শেন্মীৎলোন অসি খূদোংচাদবা ফীভমদা লৈখি, পোটেন্সিয়েল ইনভেষ্টরশিংনা থাজবা মাঙখি। পোলিসি দ্রীফ অমসুং য়াল্লবা শেনফম য়াওবা করপশন স্কান্দেলশিংনা মশক তাকপা চহী তরাগী মতুংদা ভারত অসি “ফ্রেজাইল ফাইব” ইকোনোমিশিংগী মনুংদা অমা ওইনা লৌনখি।

ভারতকী শেন্মীৎলোন্দা মালেমগী মীয়াম্না থাজবা অমুক হন্না থমহন্নবা অমসুং শেল থাদবশিংদা শোয়দনা পূক্নিং চিংশিনবা ঙমহন্নবা মোদি সরকারনা অকনবা খোঙথাং অমা লৌখৎখি। চাওখৎলবা লৈবাকশিংগা লোয়ননা এফ টি এ সাইন তৌবা অসি মথংগী খোঙথাংনি। এফ টি এ শিংনা ত্রেদ পোলিসিশিংদা লৈরম্বা শীংনবশিং হন্থহন্দুনা ইনভেষ্টরশিংগী থাজবা হেনগৎহল্লি।

ভারতকী মরুওইবা লল্লোন-ইতিক্কী ইন্টরেষ্টশিংগা হকথেংননা চাংদম্নবা লৈতনা অচৌবা কৈথেলশিং পীরিবা চাওখৎলবা ইকোনোমিশিংগা এফ টি এ শিং সরকারনা মখা চথখি। মমাংগী সরকারনা করিশু থৌশাদনা কম্পিটিটরশিংদা ভারতকী থোঙ হাংদোক্তুনা ভারতকী বিজিনেসশিংবু খূদোংথিনিংঙাই ওইহনখিবা খোঙথাং অদুগী তাইওন্নবদা মসিনা পুম্নমক্কী মায় পাকপা ফীভম অমা পুরকই।

পি এম মোদিগী লুচিং মখাদা, ভারত অসি হৌজিক পাক শন্না রেজিলিয়েন্ট ইকোনোমি অমা ওইনা অমসুং তংদু-লৈতাদবা মালেম অসিদা থাজবা য়াবা পার্টনর অমা ওইনা ইকায়খুম্নরি। মসিনা মশানা মশাবু পূক্নিং চিংশিনগদবা কৈথেলগা লোয়ননা থাজবা য়াবাপার্টনর অমা ওইনা মশক তাক্লি অমসুং মালেমগী খ্বাইদগী য়াংনা চাওখৎলক্লিবা মরু ওইবা ইকোনোমি অমা ওইরি। গেম চেঞ্জিং রিফোর্মশিং , ইজ ওফ দুইং বিজিনেসকী ফগৎলকপা, অপীকপা ওফেন্সশিং দি-ক্রিমিনেলাইজেশন তৌবা অমসুং মালেম্না পি এমবু ইকায়খুম্নবীবা অদুনা ভারতপু ইনভেষ্টমেন্টকী পান্নবা মফম অমা ওইহনবদা মতেং পাংলি। ঙসিদি মালেম্না ভারতকী গ্রোথ ষ্টোরিদা শরুক য়াবা অমসুং এফ টি এশিং খূৎয়েক পীনবা পান্লি।

হায়রিবা ললোন-ইতিক্কী এগ্রীমেন্টশিং অসিনা দোমেষ্টিক মার্কেটনা তপ্না-তপ্না হাংদোকপগী থাজবসু পীখি। মসিনা ভারতকী কৈথেল অসি হেন্না কম্পিটিটিব ওইহল্লি অমসুং লোকেল মেনুফেকচররশিংবু কম্পিটিটিব ওইবা মমলদা অৱাংবা থাক্কী পোৎলমশিং পুথোক্লবা পূক্নিং থৌগৎলি। মসি পি এমগী বিক্সিট ভারত মিশনগী মরু ওইবা মচাক অমনি।

সী ঈ টি এ অসি অচৌবা শেন্মীৎলোনশিংগী মরক্তা চপ মান্নবা অমসুং চাউরবা ললোন-ইতিক্কী য়ানচেশিংগী বেঞ্চমার্ক অমনি। মসিনা ভারতকী মরু ওইবা কান্নবশিংগা শোকহন্দনা শোখরবা মীওইশিংগীদমক মালেমগী ওইবা খূদোংচাবশিং ফংহল্লি। মসি অনৌবা ভারতনা করম্না বিজিনেস তৌবগে হায়বগী মশক থোকপা খুদম অমনি। ●

**(অইবা অসি কেন্দ্রগী কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী মন্ত্রিনি)**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।